**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 30-09-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ৩০-০৯-২০২৫, লৈবাকপোকপা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মণিপুরদা ঙসি লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ১২৯ শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোক্লি।

২) রাজ্য অসিদা দুর্গা পুজা অমসুং ইমা পান্থোইবী ইরাৎপগী থৌরম পাক শন্না পাঙথোকরি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী হিয়াংথাং লাইরেম্বীদা মীয়ামা বর লাই খুরুম্বা লাকরি।

**অমসুং**

৩) কেন্দ্রগী তেক্সতাইল রাজ্য মন্ত্রি পবিত্রা মার্গেরিতা মোস্কোদা ইন্দিয়ান এপারেল এন্দ তেক্সতাইল মেলা অমা হৌদোক্কদৌরি।

**------**

**ইরাবত (এল)ঃ** মণিপুরদা ঙসি লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ১২৯ শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোক্লি।

রাজ্য থাক্কী ওইনা পালন থৌরম অসি মণিপুর সরকারনা শিন্দুনা ইম্ফালগী

থাংমৈবন্দ লিলা সিংহ খোঙনাংখোঙদা লৈবা ইরাবত স্কয়ারদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা লুচিংদুনা হৌজিক ঙাইহাক্কী মতুংদা নেসনেল এন্থেমগা লোয়ননা জননেতা ইরাবতকী মীতমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎকনি।

পালন থৌরম অসি তোঙান তোঙানবা মফমশিং অমসুং মণিপুরীশিংদা খুন্দাবা অতৈ রাজ্যশিংদসু পাঙথোকগদৌরি।

ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিতি মণিপুরনা শিন্দুনা ১২৯ শুবা লময়ানবা ইরাবত নুমিৎ ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াহমা সুমাঙ লিলা শঙলেনদা পাঙথোক্কনি। লময়ানবা অসিগী মফমদা লৈ কত্তুনা ইকাই খুমবা উৎপা মার্চ পাস চাংদমবা, তোঙান তোঙানবা এৱার্দশিং য়েন্থোকপনা থৌরম অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইগনি।

লময়ানবা হিজম ইরাবতকী মপোক কুমওন্না লাকপদা মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তা সিংহ য়াওনা লুচিংবা কয়ানা ইকাই খুমবা উৎলক্লি । পাউজেল অমদা শ্রী সত্যবর্তনা হায়-লময়ানবা অসি অচুম্বা, থোং মান্নবা অমসুং মণিপুরবু চাওখৎহন্নবগীদমক কৎথোকখিবা মীৎয়েং শানবা লুচিংবা, সোসিয়েল রিফোর্মর, কবি অমসুং দ্রামাটিষ্টনি।

পাউজেল অমদা এম.এল.এ- কে. রোবিন্দ্রো সিংহনা হায়-জননেতা হিজম ইরাবতকী মপোক নুমিৎনা লাকপদা মহাকা কৎথোক্লম্বা অমসুং অশানবা মীৎয়েং অদুদা ইকায় খুমবা উৎলি। চাওখৎপা, ইং তপ্পা মণিপুর অমা ওইনবা হোৎনবদা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন অদুদা মীয়াম পুন্না হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। জননেতানা নিংজরম্বশিং মীয়ামা মঙফাওনহল্লশি মহাকা মখা তাখি।

**দুর্গা পুজা (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা দুর্গা পুজা অমসুং ইমা পান্থোইবী ইরাৎপগী থৌরম পাক শন্না পাঙথোকরি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী হিয়াংথাং লাইরেম্বীদা ঙসি বরগী থৌরম পাঙথোক্লি। ঙসি অয়ুক অঙনবদা ইমাগী ধুপ আরতি সেবা তৌবগা লোয়ননা হরি সংকৃটন হৌখি। মীয়ামা অয়ুক অঙনবদগী হৌনা লাই খুরুম্বা লাকরি। হিয়াংথাং লাইরেম্বী দিভলপমেন্ট সেবা কমিতিগী চেরোল অমনা হায়- ঙসিগী য়াচংবা সন্ধ্যাগী মতম পুং ৫ মিনিত ৪৫ তাবা সন্ধি পুজা হৌরগা পুং ৬ মিনিত ৭ তা বলিদান কৎলগা পুং ৬ মিনিত ৩১ দা সন্ধি পুজা লোইশিনগনি।

ঙসি হিয়াংথাং লাইরেম্বীদা পাঙথোক্লিবা মেরা বর পুজাগী য়েংলগা লন্বী চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা খরা লৈরে। রাজ্যগী ত্রান্সপোর্ট দিরেক্তর খুমন্থেম দাইনানা থোকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না বরগী থৌরম লোইদ্রিবা ফাওবা অহোংবা অসি লৈগনি। ময়াং ইম্ফাল্লোমদগী লাকপা গাড়িশিং ইম্ফাল তুরেল তোর্বানগী হাওরৈবীরোমদা থৈদুনা চৎখিগনি। ইম্ফাল্লোমদগী হিয়াংথাং তমা চৎকদবা গাড়িশিংনা নিংঙোম্বম সাইদলোমদা থৈদুনা চৎকনি। ঙসিগী ওইনা ইম্ফল্লোমদগী লাকপা গাড়িশিং ফুরা মখোঙ নম্বুল মপাল গ্রাউন্দদা পার্কিং ওইগনি। লংথবাল-কাঞ্চিপুরদগী লাকপশিংনা এল.পি. স্কুল মদ্রাসাদা পার্কিং ওইগনি। মেকোলা অমসুং নিংঙোম্বম ফাওরগা তিদিম লন্বীরোমদগী লাকপা গাড়িশিং হিয়াংথাং কাংজৈবুং গ্রাউন্দদা পার্কিং ওইগনি। ইরোম মৈজ্রাও অমসুং নম্বোলদগী লাকপা গাড়ি কমাখ্যা পেমতোন কলেজ গ্রাউন্দদা পার্কিং ওইগনি। ময়াং ইম্ফালদগী লাকপা গাড়িশিং এম.এস. ওইল সার্ভিস শমুরৌ ময়াদা পার্কিং ওইগনি অমসুং লিলোং চজিং, করাম অমসুং হাওরৈবীরোমদগী লাকপা গাড়িশিংনা শঙাই বজার কমপ্লেক্স তখেল্লম্বদা পার্কিং ওইগনি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওই ৩ অমসুং নিশাগী পোৎলমশিং লল্লোনবা মীওই ৪ ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়- বিষ্ণুপুর জিলাগী খোইজমান ময়াই লৈকাইদগী এন

আর এফ এমগী এক্তিভ কাদর ১ ঙরাং ফাখি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা আর.পি.এফ(পি.এল.এ)গী এক্তিভ কাদর ১ ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কদাংবন্দ ময়াই লৈকাইদগী ঙরাং ফাবগা লোয়ননা মঙোন্দগী ইন্সাস এল.এম.জিগী মেগজিন ২, কেমোফ্লেজ হেলমেট ২, বি.পি প্লেট ৫ ফাগৎপা ঙল্লে। ইম্ফালগী পাওনা বজারদগী কে.ৱাই.কে.এলগী কাদরনি হায়বা মীওই ১ সু ঙরাং ফাখি। মহাক তম্পাক্কী মফমশিংদা লৈবা দুকানশিং অমদি মীয়ামদগী নম হাদুনা শেল খাইবদা চেন্নবা মীশকি হায়রি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা ময়াই কাবা নিশাগী পোৎলমশিং লল্লোনবা মীওইশিং ফাবগী থবক লেপ্পা লৈতনা চত্থরি। বিষ্ণুপুর জিলাগী ক্বাক্তা তেরা খোঙশাংবীদগী সাপোন কেপ ১১ দা হাপ্লন্বা হেরোইন পাউদর গ্রাম ১৬১গা লোয়ননা মীওই ২ ফারে। মখোয় অনি সেনাপতি জিলাগী মরাম বজার মনাক্তা লৈবা ঙারি রাইদুলোমাই খুলদগীনি হায়রি। ইম্ফাল এয়রপোর্টতা গঞ্জা কিলোগ্রাম ২১ রোম পুদুনা চৎলন্বা পেসেঞ্জর অনি অমসু ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে হায়রি।

মণিপুর পুলিসনা লন্বীদা ত্রাফিক্কী নিয়ম থুগাইদুনা গারি থৌরিবশিংগী মথক্তা লেপ্পা লৈতনা দ্রাইভ চত্থরি। ত্রাফিক্কী নিয়ম থুগাইদুনা গারি থৌদুনা লাকপশিং দিতেন তৌবগা লোয়ননা চলান ৩৩ কক্তুনা ফাইন ওইনা লূপা লিশিং ৬১,৫০০ খোমগৎপা ঙল্লে হায়রি।

**নোনে(এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোতেক্সন য়ুনিট নোনেনা শিন্দুনা কনা লৈজদ্রবা অঙাংশিং তেংবাং পীনবা এনরোলমেন্ট দ্রাইভ অমা ঙরাং জিলা অসিগী চরোই চগোৎলোং অমসুং খুমজি পার্ট ৱানদা পাঙথোকখ্রে। ভিক্সিট ভারত মণিপুর নেসন ফর্ষ্ট এদরেট সেভেন্তি ফাইভ কেম্পেইনগী মনুং চন্না মিসন বদসাল্যিাগী মখাদা তেংবাং পীনবা এনরোলমেন্ট দ্রাইভ অসি পাঙথোকখিবনি। চাইল্ড প্রোতেক্সনগা মরী লৈননা মীয়ামদা নিংথিনা খঙহনবগী এৱেয়রনেস

প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি।

**চান্দেল(এল)ঃ** চান্দেল ফোরেষ্ট দিভিজননা শিন্দুনা ইন্তরনেসনেল ডে ওফ ফুদ লোস এন্দ ৱেজ অমসুং সেভা পর্ভগী থৌরম জিলা অসিগী মোন্সাং পন্থাদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা খুঞ্জাশিং অমদি ফোরেষ্ট স্তাফশিংনা খুলগী অকোইবদা উ-চারা ২০০ রোমসু থাখি হায়রি।

**পবিত্রাঃ** কেন্দ্রগী তেক্সতাইল রাজ্য মন্ত্রি পবিত্রা মার্গেরিতা নুমিৎ হুমিগী খোঙচত্তা হয়েং মোস্কোদা চৎকনি। মহাকা মফম অদুদা বেষ্ট ওফ ইন্দিয়া-ইন্দিয়ান এপারেল এন্দ তেক্সতাইল মেলা অমসু হৌদোক্কনি। মন্ত্রালয়গী চেরোল অমনা হায়-মেলা অসিনা ভারতকী এক্সপোর্তরশিংগী লল্লোন ইতিক চাউখৎহনবা ঙম্লগনি। হায়রিবা মেলা অসিদা ভারতকী তোঙান তোঙানবা কম্পনি ১০০ রোম শরুক য়াদুনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ফিশা-লোনশা অমদি খূৎ-শা হৈবগী পোৎলমশিং উৎকনি। মন্ত্রিনা খোঙচৎ অসিদা রসিয়াগী লুচিংবা কয়াগা উনদুনা লৈবাক অনিগী মরক্তা লল্লোন ইতিক, উদ্যোক অমসুং তেক্সতাইল সেক্তরদা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবা হোৎনগনি।

**নোং ঃ** ইন্দিয়া মেট বিভাগনা হায়রি- মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক লমদমগী রাজ্য খরদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনিদা অকনবা নোং চুরবা য়াই। বিহার, ঝরখন্দ, উরিষা, তেলঙ্গনা, নোংচুপ বেঙ্গল, সিক্কিম, নাগালেন্দনচিংবা রাজ্য খরদনা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি হুমি অসিদা অখাক অরাউগা লোয়নননা অকনবা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মনিপুর লৈঙাকা খরুংপাৎপু বার্দ সেংচুরি ওইনা লাউথোকখ্রে, লমকোই উচেক লিশিং ২০ হেন্না লাক্কুনা চাক্তারিঃ ফোরেষ্ট হায়বা পাউনা- সনালৈবাক পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা- হোস্পিতাল, নর্সিং হোমশিংগী ফায়র এন্দ লাইফ সেফতি ত্রেনিং পাঙথোকখ্রে। হোস্পিতাল শাদ্রিঙৈদা ফায়র সেফতি সার্তিফিকেট পায়হৌদ্রবদি লাইসেন্স ফাওবা ককপা য়াই হায়না এদ্দিসনেল সেক্রেটরি হোম এ.সুবাশনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পোকফমদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। বোর্দর ফেন্সিংদা মতেং পাংলোইঃ কুকি চিফশিং হায়বা পাউ অমসু, পাউচে অসিদা অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

বোর্দর ফেন্সিংগী মতাংদা ঙমখৈদা লৈবা খূল ১৬কী চিফশিংনা কম্পেন্সেসন লৌরোই অমসুং কো-ওপরেসনসু পীরোই হায়না লাউথোরক্লে হায়বা পাউ অসি-হুইয়েন লানপাউদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। অহিংদা সিফাইনা লানবন শারগা মোইবুং খুনৌদা ইভিক্সন তৌখ্রে, সেকমাই এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিগী এম.এল.এ দিঙ্গো বোইকোট তৌখ্রে হায়বা পাউ অমা, পাউচে অসিদা অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

নহারোলগী থৌদাংদা- অঙৌরোক চীংমাইদা হৌরিবা উচান পান্থী কয়া লেপকং কংলকপদগী লমদম অসিগী অইং আশাদা চাউনা অহোংবা লাক্লগদ্রা হায়না চিংনবা লৈরে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনদা- পি.এম.জি.এস.ৰাইগী লন্বাশিং নিংথিনা মেন্তেন তৌদবনা শলাক শারে হায়বা পাউ- অহানবা হেদলাইন তৌরি। লাইফ স্তাইল হোংদোকপনা হর্ট নাবগী চাং হেনগৎলক্লি হায়বা পাউ অমসু, পাউচে অসিদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

মোর্নিং বেলদা- দিজিতেল প্লেটফোর্মশিং লান্না শিজিন্নবা, মণিপুর ইন্তরনেসনেল য়ুথ সেন্তরনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর মেলদা- মিলিতেন্ট অমদি দ্রগশিং ফাগৎলে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- ৱার্ল্ড মীতৈ কাউন্সিলনা প্রাইম মিনিষ্টরদা পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট লৈহন্নবা তকশিনখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা- কুকি জো ভিলেজ ১৬ না বোর্দর ফেন্সিংদা মতেং পাংলোই হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তামেংলোং তাইমসতা- তামেংলোংদা লৈবা খৃষ্টিয়ান হেরিতেজ ইন্সটিট্যুটতা লিগেল এৱেয়রনেস পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

**--পাউ লোইজরে--**